# এম পি ১৬ লৈবা টেলুগু দেসম পার্টি নেসনল ডেমোক্রেটিক এলাইন্সতগী তোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
এম পি ১৬ লৈবা অন্ধ্র প্রদেশকী টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) না ঙসি বি জে পিনা লূচিংবা নেসনল ডেমোক্রেটিক এলাইন্স (এন ডি এ) তগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে।

পার্টি অসিগী মীওই অনী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা য়ুনিয়ন কেবিনেটতগী তোকখিবগা লোয়নননা ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা এন ডি এ গভর্নমেন্টকী মথক্তা থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা টি দি পিনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট পায়রিবা এন ডি এদগী তোক্লবা ৱাফম লাউথোকখিবনি।

অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল ষ্টেটস পীয়ু য়াদবগী মতাংদা এম চন্দ্রবাবু নাইদুনা লূচিংবা টি দি পি অমসুং ৱাই এস আরনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা লাকখি। মার্চ ৮ দা টি দি পিগী মেম্বর অনী য়ুনিয়ন কেবিনেটতগী তোকখিবা মরম্না পার্টি অসিনা এন ডি এদগী খোঙ থাংদোরকপদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইদে হায়না পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক লোক সভাদা বি জে পিগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ২৭৫ লৈরি।

ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট জগন মোহন রেদিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎপদা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা লাউথোকখি।

অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল ষ্টেটস পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা মোদি গভর্নমেন্টকী মথক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎনবগী ফিরেপ লৌখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা টি দি পি অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা মরুওইবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা মীফমদা চরাংনবা থোকহন্দুনা লাকখি।

রাজ্য সভাদা মেম্বর ৬ অমসুং লোক সভাদা মেম্বর ১৬ লৈবা টি দি পিনা এন ডি এদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্নমেন্টনা হৌজিকসু লোক সভাদা মেজোরিটি ওইরি। বি জে পি মশাগী ওইবা এম পি ২৭৪ লৈবগা লোয়নননা লোক সভাদা এন ডি এগী অপূনবা মেম্বর ৩৩১ লৈরি। রাজ্য সভাদদি এলাইন্স অসি হান্নদগী মাইনোরিটি ওইদুনা লাকখিবনি।

# অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা পঞ্জাবতা আম আদমী পার্টি মুখৎলে : নবজোট সিংহ সিধু

চান্দিগর, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
আম আদমী পার্টিগী কনভিনর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা পঞ্জাবতা পার্টি অসি মপূং ফানা মুখৎলে হায়না পঞ্জাব কোংগ্রেসকী লূচিংবা নবজোট সিংহ সিধুনা মরাল শীখ্রে।

সিরোমনি অকালি দল (এস এ দি) গী লূচিংবা বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াদা কেজ্রিৱালনা লাল্লে হায়জখিবগী থৌওং অদুবু সিধুনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চান্দিগরদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা সিধুনা হায়খি, কেজ্রিৱালগী থৌওং অদুবু পঞ্জাবতা লৈরিবা এ এ পিগী লূচিংবা অমদি এম এল এ অয়াম্বনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মাজিথিয়াদা লাল্লে হায়জখিবা কেজ্রিৱালগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা পঞ্জাবতা এ এ পিগী মুখৎপগা পাঙ্খক ওইরে।

অমরোমদা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা অকালি দলগী বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াদা ঙাকপীনবা হায়জখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এ এ পি পঞ্জাব য়ুনিটকী লূচিংবা ভগৱন্ত মান ফম থাদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ভগৱন্ত মালনা হায়খি, এ এ পি পঞ্জাব য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকপা তারবসু দ্রগ মাফিয়া অমদি শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা মখা তানা চঙশিনখিগনি। কুমজা ২০১৭ কী মেদা এ এ পি পঞ্জাব য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট খনখিবা ভগৱন্ত মাননা সংগ্রুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লুনা এম পি ওইখিবনি।



চান্দিগরদা পার্টিগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ভগৱন্ত মাননা হায়খি, এ এ পিগী লূচিংবশিংনা পার্টি অসিগী পঞ্জাব য়ুনিট মুখৎনবা ফিরেপ লৌরে। মীফম অদুদা ঐচ এস ফুলকা, প্রোফেসর সাধু সিংহ, অনন অরোরা অমদি সুখপাল সিংহ খাইরানচিংবা এ এ পিগী সিনিয়র লীদরশিং শরুক য়াখি।

পার্টিগী এম এল এশিং, মরুওইবা লূচিংবশিং, মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিং অমদি ওফিস বিয়রর কয়াসু মরুওইবা মীফম অদুদা শরুক য়াখি হায়না আম আদমী পার্টিগী স্পোক্সমেন অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# য়েৎনরিবা মফমদা মুস্লিমশিং নমাজ শোনবা য়াহল্লোইদবনি : ৱাকফ

লখনৌ, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
উত্তর প্রদেশ সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দ (য়ু পি এস সী দব্লিয়ু বি) কী লূচিংবা ডো. ৱাসিম রিজবিনা হায়খ্রে মদুদি ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পর্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি) না মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংবু য়েৎনরিবা মফমদা নমাজ শোনবা য়াহল্লোইদবনি।

এ আই এম পি এল বিগী চ্যেরমেন মৌলানা রাবে হসন নদবিদা থাখিবা চেরোল অমদা রিজবিনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা য়েৎননিংঙাই ওইবা লাইনিং লাইশোনগী মফম মাপন লৈ। হায়রিবা মফমশিং অদুগী মনুংদা মরিদি উত্তর প্রদেশতা লৈ। গুজরাটতা অনী, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, মধ্য প্রদেশ অমসুং দিল্লিদা অমমম লৈ।

হায়রিবা য়েৎননিংঙাই ওইবা মফমশিং অদুদা মুস্লিমশিংনা নমাজ শোনবগী থৌরম খুদক্তগী লেপহন্নবা এ আই এম পি এল বিনা থবক লৌখৎকদবনি হায়না রিজবিনা ফোঙদোকখি। হিন্দুগী লাইশঙ লৈরম্বা মফমদা মুস্লিম লৈঙাকপশিংনা নমদুনা মোস্ক শাখিবনি হায়বগী পুৱারী ময়েক শেংনা লৈ হায়না পল্লদুনা রিজবিনা হায়খি, ইস্লামদা অতোপ্পা মীগী লাইশঙ শারগা মোস্ক শাগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওদে। হায়রিবা মফমশিং অদুদা শাবা মোস্কতা নমাজ শোনবা মতমদা কুরান অমসুং সারিয়ানা অয়াবা পীদে।



রিজবিনা মমাঙদা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী লম হিন্দুশিংদা খূৎশিন্নদুনা রামগী লাইশঙ শোয়দনা শাহনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্না হায়খি মথুরা, ভরানাসি অমদি অতৈ মফম কয়াদা হৌজিক লৈরিবা মোস্ক অয়াম্বা হিন্দুগী লাইশঙ থুগায়রগা শাখিবা ঙাক্তনি হায়বা পুৱারীদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে। মরম অদুনা অযোধ্যাগী রাম জন্মভূমি য়াওনা য়েৎনরিবা মফম মাপন হিন্দুশিংদা খূৎশিন্নখিগদবনি।

হিন্দু লাইনিং চৎপশিংদা খূৎশিন্নখিগদবনি হায়রিবা মফমশিং অদুদি অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমি, মথুরাগী কেসব দেব টেম্পল, ভরানাসিগী কাসি বিশ্বনাথ টেম্পল, জোনপুরগী অতল দেব টেম্পল, গুজরাটকী রুদ্র মহালয়া টেম্পল, অহমেদবাদকী ভদ্রকালি টেম্পল, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অদিনাব মোস্ক, মধ্য প্রদেশকী বিজয়া টেম্পল অমসুং দিল্লিগী কুটুব মিনরনি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রীশ্রী রবি শঙ্করনা ভরানাসি অমসুং গোরখপুরদা ৱা ঙাঙখিবা অমদা য়েৎনরিবা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা মফম পূম্নমক হিন্দুশিংদা খূৎশিন্নগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ডো. ৱাসিম রিজবিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# ‘অরারিয়া টেররিষ্টশিংগী মকোন ওইরগনি’

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
বিহারদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী বাই ইলেক্সনদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মায়থীখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি অথুবা মতমদা অরারিয়া কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা টেররিজমগী মকোন ওইরক্লগনি।

নেপাল অমদি বেঙ্গোলগা তাইনবা মফম অসিদা টেররিজমগী থবক থৌরম কনখৎলকপা তারবদি বিহার খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অরারিয়া লোক সভা কনষ্টি-ট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) না বি জে পিদগী ভোট ৬০,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, আর জে দিনা মীখলদা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং য়েংথীনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মুস্লিমশিংগী ভোট ফংনবগীদমক ফুরুপ অসিবু অতোপ্পা ফুরুপকা নুংঙাইনদনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী খুদম ফংলে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা নহারোল অহুম্না অরারিয়াদা পাকিস্তান শৌগৎপগী খোল্লাউ লাউরুবগীদমক পুলিসনা ফাজিনখ্রে। মীওই খরনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা খোল্লাউ লাউদুনা পাকিস্তান শৌগৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনখি।

পাকিস্তান শৌগৎতুনা স্লোগান লাউখি হায়রিবা মীওই অহুম অদু অদিব রাজা, সুলটান অজমি অমসুং সেহজাদনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়নননা পুলিসনা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি।

লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী বাই ইলেক্সনদা মায় পাকখিবা আর জে দিগী মীরেপ সরফরাজ অলমনা এম এল এ ওইরিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা ক্রাইম কয়াদা চেন্নখিবগী ৱাফম লৈবগা লোয়নননা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপসু লৈখ্রবনি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী রাব্রি দেবীনা হায়খি মদুদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহনা আর জে দিগী লূচিংবা অমগী মথক্তা য়ূম্ফম য়াওদবা মরাল শীবগী থৌওং য়ানিংদে। বিহারগী মীয়াম্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু ঙাকপীবা তৌরোই।

সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস য়াদবনসু গিরিরাজ সিংহগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা আর জে দিগী মীরেপ সরফরাজনা বি জে পিগী মীরেপ প্রদিপ কুমার সিংহদগী ভোট ৬০,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

# ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম তশেংনা লৈ হায়বা এইমসকী ডোক্টরশিংনা খঙবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংদবা মরম্না মীওই কয়া মশা মথন্তা শিহনখ্রবা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ কৌবা ওনলাইন গেম অমা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাকখ্রবসু ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী ডোক্টর টিম অমনা সুইসাইদ গেম অসি তশেংনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

‘এসিয়া-পেসিফিক সাইকিয়াট্রি’ কৌবা মেদিকেল জর্নেল অমদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টতা এইমসকী ডোক্টরশিংনা হায়খি, নুমিৎ ৫০ চুপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম লৈ হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।

মমাঙ চহীদা নহা ওইরিবা মহৈরোয় অমা এইমসকী বিহেবিয়রেল এদিক্সন ক্লিনিকতা লায়েংবা লাকখি। হায়রিবা মহৈরোয় অদু ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ অমদি অতৈ ওনলাইন গেম শান্নবদা লাইচুরবা মীওইনি হায়বা খঙবদগী মখা তানা লায়েংনবা থৌরাং লৌখৎখি।

ডোক্টরশিংনা মহৈরোয় অদুবু তপ্প-তপ্পা ৱাহং পাউহং চথুবগা লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা নুমিৎ ৫০ নি চঙনা কুপ্পা থিগৎপদা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ কৌবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ওনলাইন গেম অমা তশেংনা লৈ হায়বা খঙলকখি। এইমসকী বিহেবিয়রেল এদিক্সন ক্লিনিক্কী মকোক ডো. ৱাই পি এস বলহারানা হায়খি, এইমসতা লায়েংনবা পুখৎলকখিবা মহৈরোয় অদুনা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা মথং মথং থিগৎলুবদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মীওই কয়া ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম শান্নরুবদগী মশা মথন্তা শিজখ্রে হায়বা খঙলকখি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ওনলাইন গেম অসি থিংনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি - রুরকিগী মহৈরোয় অমা ওনলাইন গেম অসি শান্নবদগী মশা মথন্তা শিজখি।

# কার্টি চিদম্বরমনা বেল পীবীনবা হায়জরকপদগী ৱায়েল রিজর্ভ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):
কোংগ্রেস লূচিংবা পি চিদম্বরমগী মচানুপা কার্টি চিদম্বরমনা বেল পীবীনবগী মতাংদা ফাইল তৌরকখিবা পীটিসনগী ৱায়েল দিল্লি হায় কোর্টনা রিজর্ভ তৌদুনা থমখ্রে। সী বি আইনা থাঙ্গৎলকখিবা আই এন এক্স মীদিয়া করপসন কেসকী মতাংদা কার্টি চিদম্বরমনা বেল পীবীনবা কোর্টতা হায়জরকখিবনি। কার্টিগী উকিল অমসুং সী বি আইনা পুখৎলকপা ৱাফমশিং দিল্লি হায় কোর্টকী জষ্টিস এস পি গার্গনা তারবা মতুংদা ৱায়েল রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

বেল পীবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা সী বি আইগী উকিলনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা কার্টি চিদম্বরমবু বেলদা থাদোকখিবা তারবদি মরুওইবা কেসকী খুদম-চাংদম কয়া শেমদোকখিবা য়ানা লৈ। মমাঙদা কার্টি চিদম্বরমনা কেস অসিগা মরী লৈনবা খুদম-চাংদম খরা শেমদোক্লম্বগী থৌওংসু থেংনখি হায়না সী বি আইনা কোর্টতা ৱাকৎখি।

দিল্লি হায় কোর্টনা কার্টি চিদম্বরমদা পীবা ইন্টরিম রিলিফকী মতম সুপ্রীম কোর্টনা মার্চ ২৬ ফাওবা শাংদোকহনবা লৈখ্রবনি। চীফ জষ্টিস দীপক মিশ্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা কেস অসি দিল্লি হায় কোর্টতা মখা তানা ৱায়েল চথুহন্নবা খঙহনবসু লৈখ্রে।

আই এন এক্স মীদিয়া কেসকী মতাংদা ৱায়েল চথরদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, মরুওইবা কেস খরদা সুপ্রীম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টকী মরক্তা মোত মান্নদবা থোরকপা মরম্না কার্টি চিদম্বরম চেন্নবা কেস অসি দিল্লি হায় কোর্টনা ৱায়েল চথুগদবনি।

ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টরেট (ঈ ডি) না আই এন এক্স মীদিয়া কেসকা মরী লৈননা কার্টি চিদম্বরম ফানবা থৌরাং লৌখৎলকপদা দিল্লি হায় কোর্টনা মার্চ ২০ ফাওবা মীওই অসি ফাবা য়ারোই হায়না ইন্টরিম রিলিফ পীখি। সুপ্রীম কোর্টনা ইন্টরিম রিলিফকী মতম মার্চ ২৬ ফাওবা শাংদোকহনখি।

চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল কপিল সিবাল অমদি এ এম সিংহবিনা হায়জরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রীম কোর্টনা ইন্টরিম রিলিফকী মতম মার্চ ২৬ ফাওবা শাংদোকহনখিবনি। মমাঙদা কার্টি চিদম্বরমনা বেল পীবীরক্লবা হায়জবগা লোয়নননা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা দিল্লি হায় কোর্টনা সী বি আইদা খঙহনবা লৈখ্রে।

জষ্টিস এস পি গার্গনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরক্লবা সী বি আইদা খঙহনখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা পি চিদম্বরমগী মচানুপা কার্টি চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কপিল সিবালনা হায়খি, লৈবাক থাদোক্তুনা চেনবগী ৱাফম লৈতবা মরম্না কার্টি চিদম্বরমদা বেল পীবদা অকায়বা লৈতে।

ওজা কবিরাজ অব্দুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি

সঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌদা লৈবা অব্দুল হেলিম ঐগী খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, পোম্বা, শৌজ নাম্থবা, কোক ঙাওবা, চাবা থকপা য়াদবা, লায়নাশিং অসিনা নাবদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়েংলকখি। অদুবু ফবা ঙমদনা লৈরিঙৈদা নোংমা ইমান্নবা অমনা তাক্লকপদগী ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লায়েংলিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **8014623756 / 9383214747** তা চৎতুনা লায়েংলুবদা ঐ ইশাগী অনাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজা অসি পৈশাসু য়াম্না তিংদে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি অমদি অল্লাহদা দুৱা তৌজরি।

HL-P/733/17

*থাগৎচরিবা :* **ABDUL HELIM**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: WAIKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 86 of 2018***

Parties :- Moirangthem Gulapi Singh S/o (Late) Moirangthem Ningthemjao Singh of Sugnu Awang Leikai.

-Vrs-

(Late) Shri Moirangthem Ningthemjao Singh S/o (Late) M. Chaoba Singh of Sugnu Awang Leikai.

**NOTICE**

Waikhong, the 14th March 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা শ্রীমোইরাংথেম নিংথেমজাও সিংহ পীং মৃ: মোইরাংথেম চাউবা সিংহ সাং সুগ্নু অৱাং লৈকাইদা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং ৯১/৩৮৮ (অনৌবা) দাগ নং ২২১১ এরিয়া ০.১৩৭ একর চাওবা ইন্স্লোল অসি দংকারিগী মীংদা নমা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২২/০৩/২০১৮ ইং অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুজরগনি।

HL-P/772/17

***Sd/-* Sub-Deputy Collector:** Waikhong

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

➢ COMPETITIVE EXAMS (Bank PO, Civil Service etc.)

➢ BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-B/4501/17/2-24/3

CAS Medical

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

CRASH MEDICAL COURSE for NEET -2018

TEST SERIES & MOCK TESTS for NEET -2018

Class commencing from 15th March, 2018

1. Supply Printed Authentic Study Materials for each unit.
1. Test will be held on every Tuesday at 9.00 AM to 12.00PM
2. Solve Maximum No. of most probable questions of NEET Exam.
3. Direct Admission & Concession for CASIANS
4. CASIAN regular medical students must joint CRASH COURSE & TESTS

For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal

Hostel for BOYS & GIRLS available

HL-B/4524/10-14Mar

B.C.C. Manipur

Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP

(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSES FOR CLASS X, XI & XII Sc.

CRASH COURSE FOR NERIST 2018

Our selected students for last year



Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma

Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 7005684125

HL-B/4530/13/3-13/4